## ৭শুবা সহীদ মনোরনজন সিংহ মেমোরিয়েল ফুটবোল
# এম টি এফ সি না থাউ থাংমৈবন্দবু মায়থিবা পীখ্রে



*ইম্ফাল, মার্চ ২৮ঃ*
ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা ইম্ফাল ৱেষ্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন অমদি দি আই জি পি গ্রূপ সেন্টর সি আর পি এফ লাংজিং অনিনা পুন্না শীন্দুনা তিম ১০না শরুক য়াদুনা থা অসিগী ২৩দগী হৌদুনা নোক আউট বেসিস্তা খুমন লম্পাক মেন ষ্টদিয়মদা চত্থরক্লিবা ৭শুবা সহীদ মনোরনজন সিংহ মেমোরিয়েল ফুটবোল টুর্নামেন্টগী অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা এম টি এফ সি না থাউ থাংমৈবন্দবু গোল ৭–১ দা মায়থিবা পীখ্রে অমদি অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ৱাই বি ও লাক্তবদগী নেরোকা এফ সি শঙাকফম্না ৱার্ক ওভর ফঙখ্রে।

এম টি এফ সি গী গোল ৭ অদু মথাইমী জিমিক্না শান্নবগী ৮ শুবা মিনটতা গোল ১, পাউথিয়নমোই বাইফেনা ২৪ ৪০ অমদি ৬৫ শুবা মিনটতা গোল ৩, আর এন ঙথাংলিনা ৪৫ অমদি ৭৫ শুবা মিনটতা গোল ২ অমদি কে লুংকোইবা মরাম না ৫১ শুবা মিনটতা গোল ১ চনখি।

নাকল অমরোমদা থাউ থাংমৈবন্দগী গোল অদুনা আইকোন্না শান্নবগী ৮৯ শুবা মিনটতা গোল অমা চনখি।

ঙসি অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ৱাই বি ও লমদোং লাক্তবদগী নেরোকা এফ সি শঙাকফম্না ৱার্ক ওভর ফঙখ্রে।

## ১৪শুবা মণিপুর ভেটেরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৬–১৭
# কে এস সি না সি সি সি বু মায়থিবা পীখ্রে

*ইম্ফাল, মার্চ ২৮ঃ*
মণিপুর ভেটেরান ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শীন্দুনা ওরিয়েন্টেল কোলেজ অমদি মোডেল হয়ার সেকেন্দরী গ্রাউন্দদা চত্থরিবা ১৪শুবা মণিপুর ভেটেরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট, ২০১৬–১৭কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা কে এস সি লম্থুলেন না সি সি সি চজিংবু ৱিকেট ২ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুদা সি সি সি চজিংনা তোচ ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং খনখিবদা ৱিকেট ১০ তুদুনা রন ৫৯ লৌবা ঙমখি। সি সি সি চজিংগী রনশিং অদু লাইবানা বোল ৫২ দা রন ১৯, কৃষ্ণনানা বোল ১৬ তা রন ১১ অমদি মোহেন্না বোল ২০ দা রন ৮ লৌখি। কে এস এ গী বোল্লর লোলুন্না ওভর ৬ লংবদা ৱিকেট ৪, লালবোইনা ওভর ৫ লংবদা ৱিকেট ২, গৌমিনিয়ম্না ৪.১ লংবদা ৱিকেট ২ অমদি অঙ্গুনা ওভর ৬ লংবদা ৱিকেট ২ লৌবা ঙমখি।

নাকল অমরোমদা কে এস সি লম্থুলেন্না ৱিকেট ২ তুরগা রন ৬২ লৌদুনা মায় পাকখিবনি। রনশিং অদু লেনপুনা ওল আউত ওইদনা বোল ৩৯ দা রন ৩০, গোগৌনা ওল আউত ওইদনা বোল ১০ দা রন ৮, ঙমিনলেন্না বোল ১৮দা রন ৮ অমদি মৌপিনা বোল ৮ দা রন ৫ লৌবা ঙমখি । সি সি সি গী বোল্লর সঞ্জয় অমসুং ইনাওনা ৱিকেট অমমম লৌবা ঙমখি।



শান্নখিবা মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচ কে এস সি গী লোলুন্না ৱিকেট ৪ লৌদুনা তাখি।

হয়েং মোদেল ক্লব (এ) অমদি দি এস য়ু ক্বাকৈথেলগা লম্বা তৌনরনি।

## অহানবা এম সি এ টি–২০ লুৱাংপোকপা ত্রোফি ২০১৭
# চেম্প, আর ই ৱাই সি না মায়থিবা পীখ্রে



*ইম্ফাল, মার্চ ২৮ঃ*
মণিপুর ভেটেরান ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শীন্দুনা ওরিয়েন্টেল কোলেজ অমদি মোডেল হয়ার সেকেন্দরী গ্রাউন্দদা চত্থরিবা ১৪শুবা মণিপুর ভেটেরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট, ২০১৬–১৭কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা আর ই ৱাই এস না চেম্প খাগেম্পালিবু ৱিকেট ৭ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুদা চেম্প খাগেম্পালিনা তোচ ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং খনখিবগা লোয়নন্না চেম্প খাগেম্পালিনা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ১০২ লৌবা ঙমখি। রনশিং অদু গুলসন্না বোল ২২ দা রন ১২, ইমরান খান্না বোল ১৭ তা রন ১৭, সুলটান্না বোল ১৩ দা রন ২২ অমসুং বোনিন্না বোল ১১ দা রন ৯ লৌবা ঙমখি অমদি ৱিকেটশিং অদুনা রাজেস পাটেলনা ৱিকেট ৩, গানজয়না ৱিকেট ১, রোবটসন্না ৱিকেট ১ অমদি দেয়ান্না ৱিকেট ১ লৌবা ঙমখি।

অনীশুবা বেট্টিং তৌখিবা আর ই ৱাই এস না চেম্পকী তাগের্ট রন ১০২ অদু লৌদুনা ৱিকেট ৩ তুংদুনা ওভর ১৯.৫ তা মায় পাকখিবনি। মায় পাকপগী রনশিং অদু গুনিরাম্না বোল ৩৭ দা রন ৩৮, মুন্টুন্দ্র না বোল ৩২ দা রন ৪৪ অমদি জোন্সন্না বোল ১৩ দা রন ২২ লৌবা ঙমখি অমদি নাকল অমরোমদা চেম্পনা লৌখিবা ৱিকেটশিং অদুনা কেনেদিনা ৱিকেট ১, সুলতান্না ৱিকেট১ অমদি রোজিটনা ৱিকেট ১ লৌবা ঙমখি।

শান্নবগী মেন ওফ দি মেটচনা আর ই ৱাই এস কী রাজেস পাটেলনা ৱিকেট ৩ লৌদুনা তাখি।

## ২৮ শুবা জুনিয়র বোইজ ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭
# আই ই দি ওফ এ অমদি দি এস এ মায় পাকখ্রে



*ইম্ফাল, মার্চ ২৮ঃ*
ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা মপাল কাংজৈবুংদা চত্থরিবা ২৮ শুবা জুনিয়র বোইজ ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা দি এস এ বিষ্ণুপুরনা দি এফ এ থৌবালবু গোল ৩–০ অমদি ইম্ফাল ইষ্ট দি এফ এ না ইম্ফাল ৱেষ্ট দি এফ এ বু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

দি এস এ বিষ্ণুপুর অমদি দি এফ এ থৌবালগা ঙসি শান্নখিবা মেটচতা দি এস এ না গোল ৩ চন্দুনা মায় পাকখিবনি। মায় পাকপগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১১ য়োসিদাসনা শান্নবগী ১১ শুবা মিনটতা গোল ১, জর্সি নম্বর ৪ এম দিপাক্না শান্নবগী ৪১ শুবা মিনটতা গোল ১ অমদি জর্সি নম্বর ১০ এস কফোইনা ১০ শুবা মিনটতা গোল ১ চনখি।

দি এস এ গী গোলশিং অদুনা দি এফ এ না অকন্বা মওংদা গোল হন্দোক্লবা হোৎনরবদু অহানবা অমসুং অনীশুবা হাল্ফতা গোল অমত্তা হন্দোকপা ঙমখিদে।

ঙসি অনীশুবা মেটচতা শান্নখিবা ইম্ফাল ইষ্ট দি এফ এ না ইম্ফাল ৱেষ্ট দি এফ এ বু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীখি।

ইম্ফাল ইষ্ট দি এফ এ গী মায় পাকপগী গোলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ১১ এন জি নাওচানা শান্নবগী ৫ অমসুং ৫৯ শুবা মিনটতা গোল অনী চন্দুনা দি এফ এ বু মায় পাকহনখিবনি।

ইম্ফাল ইষ্ট দি এফ এ গী গোলশিং অদু ইম্ফাল ৱেষ্ট দি এফ এ না অকন্বা মওংদা গোল হন্দোক্লবা হোৎনরবসু অহানবা অমসুং অনীশুবা হাল্ফতা গোল অমত্তা হন্দোকপা ঙমখিদে।

## এ এফ সি এসিয়ান কপ
# ইন্দিয়ানা ম্যান্মারবু গোল ১–০ দা মায়থিবা পীখ্রে



*য়ঙ্গোন, মার্চ ২৮ঃ*
চহি ৬৪ ম্যান্মারবু মায়থিবা পীবা ঙমদনা লাকখিবা ইন্দিয়ানা হন্দক্তি ম্যান্মারগী লৈহাওদা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন সুনিল ছেত্রিগী অমত্তা ঙাইরবা গোলনা ম্যান্মারবু মায়থিবা পীবা ঙমদুনা অনৌবা পুৱারি অমা হন্দোকপা ঙমখ্রে।

মায়পাকগী গোল অদু মণিপুরদগী হৌরকখিবা ফুটবোল্লর উদান্তগী মশক থোকপা পাস অমদা ছেত্রিনা য়াম্না তাপ্না গোল ওন্থোকপা ঙমদুনা ২০১৯ য়ু এ ই দা পাং থোক্কদবা এ এফ সি এসিয়ান কপ ক্বালিফাইয়র রাউন্দদা মায় পাকপগী লম্বীদা চঙশিল্লকপনি।

ম্যান্মারগী মাইকৈদগী ১৫ শুবা মিনটতা থান–ৱিন অমদি সি থু অঙগী অপুন্বা এটেক্ট অমদা চনবা য়াবা গোল অমা ইন্দিয়াগী দিফেন্দরশিংনা য়াম্না লাইনা গোল ওন্থোকপা ঙমহনখিদে।

মতুং তারকপদা ইন্দিয়াগী প্লেয়রশিংনা তপ্ন–তপ্না মায় পাক্লবগী লম্বী থিরকপদা ইন্দিয়াগী জেকিচান্না ম্যান্মারগী দিফেন্দরশিং লন্থোক্লগা য়েৎ থংবা ফ্লেঙ্খ্ততা খায়রকখিবা বোল অমা রোবিন সিংহ না মতাং চানা গোল চনবা ঙমহৌদবদগী ইন্দিয়াগী ফজরবা খুদোংচাবা অমা মাংহনখি।

ইন্দিয়াগী ওইনা খ্বাইদগী শিংথনিংঙাই ওইবা মতাং অমদা উদান্তা সিংহ না কাউন্টর এটেক্টকী মুব অমদা রাইট ৱিং মাইকৈদগী ফজরবা পাস অমা সুনিল ছেত্রিদা পীরকপা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ওইরিবা সুনিল ছেত্রিনা গোল চন্দুনা ইন্দিয়ানা ম্যান্মারবু ১–০ দা মায় পাক্তুনা অনৌবা পুৱারি অমা শেমখিবনি।




Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma**, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*